**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীফম অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

২) গেলমোনগী থৌদোক্তা নোংমৈনা পানবদগী লায়কন্নরকখিবা মীওই অমসু লৈখিদ্রে, সেকুয়রিতি ফোর্সনা ত্রোংলাউবীগী থৌদোক মতুং ওপরেসন চথবদা কুকি লালহৌলুপ য়ু.কে.এন.এগী মীওই অহুম খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

৩) ত্রোংলাউবী থৌদোকপু মাইকৈ কয়াদগী লেপ্তুনা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

৪) মণিপুর সরকারনা তম্পাক্কী জিলা মঙাদা ব্রোদ বেন্দ ইন্তরনেট সর্ভিসকী অথিংবা লৌথোকখ্রে।

অমসুং

৫) কেরলা বিধান সভাগী সিট ১৪০, অসাম বিধান সভাগী ১২৬ অমসুং পুদুচেরি বিধান সভাগী সিট ৩০ দা হয়েং ভোৎ থাদনগনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীফম অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, চীফ সেক্রেতরি, সেকুয়রিতি এদভাইজর, দি.জি.পি, অসাম রাইফলস, সি.আর.পি.এফ, বি.এস.এফ অমসুং এস.এস.বি, অতৈ সেন্ত্রেল সেকুয়রিতি ফোর্স অমসুং ইন্তেলিজেন্সকী

অৱাংবা থাক্কী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক মায়োকরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী য়েংলবা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎতুনা অথুবা মতমদা শান্তি হৈঞ্জিনহন্নবা সরকারগী মাইকৈদগী লেপ্তুনা হোৎনরি। মহাকা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিগী মফম খুদিংমক্তা ঙাকশেলগী থবক মতিক চানা পায়খৎতুনা মীয়ামগী পুন্সি তেক্ত-কায়দনা অমসুং তংদু লৈতানা লৈহন্নবা মখা তানা থবক পায়খৎখিগনি।

ইবোমচা (এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোই খোংবানতাবম ইবোমচানা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক তোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা শান্তি হৈঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা সরকারনা খক্তনা পাঙথোকপা ঙমলোই।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- সরকারগী মাইকৈদগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি । মীয়ামা পুকিং ফাথনা লৈবীনবসু শ্রী ইবোমচানা আপীল তৌরক্লি।

এরেষ্ট (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী মনিং লৈকাই মনাক্তা লৈবা গেলমোনদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুদা নোংমৈনা পানদুনা লায়কন্নরকখিবা মীওই অমসু ঙসি লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অদু সি.আর.পি.এফনা ঙরাংগী থৌদোক অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা নোংমৈনা পাবদগী রিমস হোস্পিতালদা লায়কন্নরকখিবনি। মহাক্কী হকচাং হৌজিক রিমসকী মোর্গতা লৈরি।

অমরোমদা, ত্রোংলাউবীগী থৌদোক অদুগী মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্না ওপরেসন চথবদা কুকি লালহৌলুপ য়ু.কে.এন.এলগী মীওই অহুম এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা অমসুং পিষ্টোল অমগা কোন্নানা ফাগৎলে হায়রি।

কন্দেম (এল)ঃ মোরেদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈবী চহি ৮ দা ঙাইরিবী আই.দি.পি নুপীমচা অমা হন্দক হাৎখিবা, ত্রোংলাউবীগী থৌদোক্তা পিল্লিবা অঙাং অনি লৈখিদবা অমসুং মসিগা মরী লৈননা সেন্ত্রেল ফোর্সকী মাইকৈদগী মীয়ামগী ইহৌ লাকশিন্নবা নোংমৈ কাপথোরকপগী থৌদোক্তা মাওই অহুম লৈখিদবা অমদি অতোপ্পা মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোকপু কন্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। কন্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- অসিগুম্বা হিংশাগী থৌদোকশিং অসিদা পিল্লিবা অঙাং অমসুং নুপী ওইবীশিংদা পীবা সংবিধানগী হকশিং খোঙগাউনরি। থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা খুদক্তা থবক লৌখৎনবা কন্মিসন অসিনা রাজ্য সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা তকশিল্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবিদা থোকখিবা টেরর এটেক তরাইনা লৌবা চুমলোই হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুরনা হায়রি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- ফোক্স অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়নননা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। অমরোমদা, মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনবদা চেন্নবা সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিংবুসু আইনগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীফম থোকই হায়রি।

ত্রোংলাউবী থৌদোকপু মাইকৈ কয়াদগী লেপ্তুনা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি। ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না থৌদোক অদুবু অৱাংবা থাক্তা য়ানিংদবা অমদি নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি।

সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল অমসুং মণিপুর পিপলস পার্তিনসু ত্রোংলাউবী থৌদোক্তা অঙাং অনি লৈখিদবা অমদি পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অহুম লৈখিদবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অসিবু থিজিনবগা লোয়নননা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবসু তকশিল্লক্লি।

ত্রোংলাউমী থৌদোক্তা অঙাং অনি লৈখিদবা অমদি অকামপাৎ রিলিফ কেম্পতা লৈবা নুপীমচা অমবু তমথিনা হাৎলম্বগী থৌওংবু ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ)না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অসিবু নিংথিনা থিজিনবীনবসু ৱাদনা মখা তানা হায়রি।

থৌদোক অদু জিরি য়ুনাইতেদ কমিতি (জে.য়ু.সি)না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মীহাৎপশিং সরকারনা পুথোক্কুনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা তকশিল্লক্লি।

ইন্টরনেট (এল)ঃ মণিপুর সরকারনা তম্পাক্কী জিলা মঙা- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিংদা ইন্তরনেট সর্ভিসতা অথিংবা থল্লম্বা অদু ব্রোদ বেন্দ সর্ভিসকী ওইনদি কন্দিসন খরগী মখাদা লৌথোক্লে। রাজ্যগী কম্মিসনার হোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- অদুমওইনমক, ভি.পি.এন সার্ভিস য়াওনা মোবাইল ইন্তরনেট সার্ভিস অমসুং মোবাইল দেতা সার্ভিসতা অথিংবা থম্বদুদি মখা চথখিগনি।

মরক অসিদা, মনিপুর তম্পাক্কী জিলা মঙা অসিদা ঙরাংদগী মতম কক্তুনা থমজিনখিবা কার্ফিয়ু মখা চথরি। ইম্ফাল অমসুং অকোইবা মফমশিং য়াওনা জিলাশিং অসিদা ঙাক শেনবগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে।

ৱাকৎ (এল)ঃ ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাং লৈকিনথবী বজারদা লম্বী থিংদুনা অৱাং লৈকিনথবী অপুনবা নুপী চাওখৎ লুপ, দিভলপমেন্ট কমিতি অমসুং মোর্দন য়ুথ এসোসয়েসন্না মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ৱাকৎ মীফম চথখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অঙাংশিংগী থৱায় কল্লু, চীং তম অনিমক্তা চপ মান্নবা আইন চৎনহল্লু অমদি অঙাং হাৎপা য়ানিংদে হায়বা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি।

খোঙজং অসি অৱাং ৱাবগাইগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীনা শিন্দুনা খুল অসিগী কম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ মীফম চথখি। তিংগ্রি অপুনবা নুপী চাওখৎ

থৌরাং লুপনসু তিংগ্রিগী ইবুধৌ কৌব্রু হৱাউবুংদসু ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অদুদা অঙাং মীচম হাৎপশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি, সেন্ট্রেল ফোর্সকী থৌওং য়ানিংদে হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্‌না মণিপুরগী ঙমখৈ কনবা লুপ, মোদেল ক্লব অমসুং অপুনবা মৈরা পায়বী নুপী লমজিং লুপ চীংঙামখানা মীফমশিং পাঙথোকখ্রে।

আপীল (এল)ঃ   রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা মীয়ামা চংশিল্লিবা খোঙজংশিংদা মেদিকেল ষ্টাফশিং, ঈ-পাউ লমদা থবক তৌরিবশিং অমদি অতৈ ইসেন্সিয়েল সার্ভিস তৌরিবা মীওইশিংদা অয়েৎ অপন পীবীনদনা রিলিফ কমিতি জেনিমসনা আপীল তৌরক্লি।

নিশিকান্ট (এল)ঃ  এম.এল.এ- শাপম নিসিকান্টগী সেগারোড থৌদা ভাবোক লৈকাইদা লৈবা য়ুম শকখঙদবশিংনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা অদুৱাইদা শকখঙদবা মীওই খরনা য়ুমগী বিল্ডিংগী গ্লাস পেনেলশিং থুগাইদুনা অমাং অতা থোকহনখি। মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফকী কাংবু অমনা লাক্লুনা থৌদোক অদুবু লাকশিনখি।

নোনে (এল)ঃ   ইরমদম অসিগী ওইবা চানবা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংগী ব্রেন্দিং অমসুং পেকেজিংগী ওইবা নুমিৎ নিনি চথুগদবা কেপাসিতি বিল্ডিং ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী কনফরেন্স হোলদা লোইশিনখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পেকেজিং কোলকাতা সেন্তর অমসুং মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদ অনিনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। মদুদা পুন্না মীওই ৩০ রোম শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল)ঃ  রাষ্ট্রিয়া বাল স্বাস্থিয়া কারিয়াক্রম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেল অমসুং এপোলো চিলদ্রেন্স হোস্পিতাল চেন্নাইনা পুন্না শিন্দুনা চহি ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংগী ফ্রি কার্দিয়েক স্ক্রিনিং কেম্প অমা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট আর্লি ইন্তরভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা তেংনৌপল অমদি চান্দেল জিলাদগী অঙাং ১৬০ গী মথক্তা স্ক্রিনিং চখখি।

মীখল ঃ    কেরলা বিধান সভাগী সিট ১৪০, অসাম বিধান সভাগী ১২৬ অমসুং পুদুচেরি বিধান সভাগী সিট ৩০ দা হয়েং ভোৎ থাদনগনি। নিংতমা, চুমা অমসুং শান্তি ওইনা ভোৎ থাদবা ঙমহন্নবা ঙাকশেনবগী অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে।

তামিল নাদু বিধান সভা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ ঙসিনি। তামিল নাদুগী সিট ২৩৪ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা কেন্দ্র ১৫২গী ভোট থা অসিগী ২৩ দা থাদনগনি। ভোট মশিং মে মরিদা পুন্না থিগনি।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়- অসামদা হয়েং ভোৎ থাদনগদৌরিবা অসিদা ভোতর কোতি ২ লাখ ৫০ হেনবনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ৩১,৪৯০ দা মীরেপ ৭২২ গী মীখলগী মরাইবক লেপকনি।

মরক অসিদা, নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম হয়েং লোইরগনি। রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মকোক মমতা বেনর্জি ঙসি ভবানিপুর বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপচে পীশিনখ্রে। মহাক হন্দক্কী মীখল অসিদা ভবানিপ্র বিধান সভা কেন্দ্রদগী মীখল থেংনগনি। মমাং চয়োলদা বি.জে.পিগী মীরেপ অমসুং বিরোধি লুচিংবা সুবেনদু আধিকারি ভবানিপুর বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপচে পীশিনখি।

পিএম ঃ      প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনা (পি.এম.এম.ৱাই) অসি নহাশিংগী মরক্তা মশানা মশাবু থবক পীজবা মীওইশিং

পুকিং থৌগৎপদা চাউনা মতেং ওইরে। ইং কুমজা ২০১৫ দা হৌদোকখিবা স্কিম অসি ঙসি চহি ১১ মপুং ফারে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- মী অমদা অচুম্বা চপ চাবা খুদোংচাবশিং পীরবদি মখোয় মীপাল তাংদবা ঙম্মী হায়বসি স্কিম অসিনা উৎলে অমসুং মসিনা লৈবাক অসি খুমাং চাওশিনহনবদা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি।

খরিফ ঃ কালেন লৌরোক ২০২৬ কী ওইনা ফোসফেতিক অমসুং পোতাসিক ফরতিলাইজরগীদমক ন্যুত্রেন্ট বেজ সবসিদি রেট পীবদা সরকারনা অয়াবা পীরে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- কালেন লৌরোক ২০২৬ কী ওইনা শেনফম অসি লুপা কোতি লিশিং ৪১,৫৩৩ নি। মহাকা হায়- সরকারনা লৌরকপা ৱারেপ অসিনা লৌমীশিংদা অহোংবা মমলদা হারশিং ফংহনবা ঙমগনি। প্রাহ্লাদপুরাদগী তোদিমোত ফাওবগী কিলোমিতর ৪১ শাংবা জয়পুর মেত্রোগী অনিসুবা ফেজ লুপা কোতি লিশিং ১৩ হেন্না চংনা শেমগৎনবসু সরকারনা ৱারেপ লৌরে।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগী মাওরিসিয়স অমসুং য়ুনাইতেদ আরব ইম্মিরেটসকী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। মহাকা মাওরিসিয়সতা পাঙথোক্কদবা ৯ শুবা ইন্দিয়ান ওসিন কনফরেন্সদা শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা ডাঃ জয়শঙ্করনা মাওরিসিয়সকী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা অফবা মরী থমবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

ডাঃ জয়শঙ্করনা ৯ শুবা ইন্দিয়ান ওসিন কনফরেন্সতা কি-নোট এদ্রেশ পীগনি। মীফম অদুদা য়াওবা লাকপা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়াগসু ডাঃ জয়শঙ্করনা ৱারী শান্নগনি।

মহাক্কী অনিসুবা খোঙচৎ ওইনা থা অসিগী ১১ অমসুং ১২ দা য়ুনাইতেদ আরব ইন্মিরেটসতা চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা ডাঃ জয়শঙ্করনা য়ু.এ.ইগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবগী মরী হেন্না ফগৎহন্দুনা তেংবাং পীনবগী ৱাফম কয়াসু খন্নগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

থাং তা ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা চখরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্তর য়ুনিভর্সিতি থাং তা কম্পিতিসন ২০২৫-২৬ কী ওইনা ঙসি ফাওবদা নুপাগী কাংলুপ্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কাঞ্চিপুরনা সনাগী তকমান ৬, লুপাগী ৪ অমসুং শেঙ্গেং ২ পুন্না তকমান ১২ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা সনাগী ৪, লুপাগী ১ ফংদুনা অনিসুবদা অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরনা সনাগী ৩, লুপাগী ৪ অমসুং শেঙ্গেংগী ৭ ফংদুনা অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

নুপীগী কাংলুপ্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরনা সনাগী ৭, লুপাগী ১ অমসুং শেঙ্গেং ৩ ফংদুনা অহানবদা, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা সনাগী ৩, লুপাগী ৩, শেঙ্গেংগী অনি ফংদুনা অনিসুবদা অমসুং য়ুনিভর্সিতি ওফ পটাঞ্জলি হরিদ্বার উত্তরাখন্দনা সনাগী ২, লুপাগী ১ অমসুং শেঙ্গেংগী ৮ ফংদুনা অহুমসুবদা লৈরি।

হোক্কি ঃ আর্জেন্টিনা টুরদা শরুক য়াগদবা মীওই ২৪ না শাবা নুপী হোক্কি টিম হোক্কি ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে। টুর অসি এপ্রিল ১৩ দগী ১৭ ফাওবা বুইনোস এরিসতা পাঙথোক্কনি। সালিমা তেতেনা লুচিংনা ভারত টিম অসিনা এফ.আই.ঐচ. হোক্কি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ য়াওনা তুরনামেন্ট কয়াগী শেম শাবা ওইনা আর্জেন্টিনাগা মেটচ ৪ শান্নগনি। মেটচশিং অদ্ এপ্রিল ১৩, ১৪, ১৬ অমসুং ১৭ তা ভারতকী মতম নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি।

**ক্রিকেট ঃ** ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙসি দিল্লি কেপিটেলসকা গুজরাত টাইতান্সকা দিল্লিগী অরুন জেটলি ষ্টেদিয়মদা হৌজিক শান্নরি।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা

ঙরাং গুৱাহাতিগী বারসাপারা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু রন ২৭ তা থোইখি।

**বেদমিন্টন ঃ** চাইনাদা পাঙথোক্লিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নসিপসতা ভারতকী সেট্টলর আয়ুস সেত্তিনা চাইনাগী ৱার্ল্ড নম্বর সভেন লি সি ফেংবু ষ্ট্রেট সেটতা ২১-১৩, ২১-১৬ থোইখ্রে। আয়ুস সেত্তিগী মথংগী মেটচতা তাইৱানগী সট্টলর চি য়ু জেনগা থেংনগনি। মেটচ অসিদা থোইবা শান্নরোই অদু ক্বাটর ফাইনেল চংগনি।

------